# প্রো রুসিয়ান রিবেলশিংনা যুক্রেনগী প্লেন কাপথখ্রে



**লুহানস্ক, জুন ১৪ :** যুক্রেনগী নোংপোক থংবা মফমদা প্রো রুসিয়ান রিবেলশিংনা যুক্রেনগী মিলিটরি ট্রান্সপোর্ট প্লেন অমা কাপথখিবগা লোয়ননা প্লেন অদুদা তোংখিবা যুক্রেনগী সার্ভিস পার্সোনেল ৪৯ মক মপুন্সি মাঙখ্রে হায়না লীখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

যুক্রেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়বদা, ত্রান্সপোর্ট প্লেন অদু লুহানস্ককী নোংথক্তা পাইরিঙৈদা সেপরেটিবশিংনা কাপ্লকপা এন্টি এয়ার ক্রাফ মরুশিংনা পানবদগী কায়খিবনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিগী চেরোল অমনা হায়বগী মতুংইন্না টেরোরিষ্টশিং অদুনা য়াম্না ফজদবা পুকচেল অমদা প্লেন অদু কাপথখিবনি হায়নসু ৱারৌবা ফোংদোকখ্রে।

লান্মী অমদি লান্মীগী মপোৎ-মচৈ পুরগা চৎখিবা প্লেন অদু লুহানস্ককী এয়ারপোর্টতা তাগদবনি। পনবা য়াবদি যুক্রেনগী নোংপাক্তা হৌরিবা লানহৌ অসিবু মায়থিবা পীনবা কিয়েবনা হোৎনরকপগী থৌওংশিংদা অমুক্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মায়কৈদা খ্বায়দগী চাওনা মাঙজবা থৌদোক মসিনা ওইরি।

মিলিটরি ৱাঙাংলোয় ৱাদিস্লাব সেলেসনোবনা হায়বদা অহানবা ওইনা ফংবা পাউদা এরোপ্লেন অদুদা য়াওখিবা মিলিটরি পার্সোনেল ৪৯ মক শীরে হায়না ফোংদোরকখি। মখা তারদুনা মহাক্না হায়বদা সেপরেটিষ্টশিংনা প্লেন অদুবু করম্না কাপথখিবনো হায়বগী মতাংদা থিগৎপগী থবক হৌরে হায়নসু ফোংদোকখ্রে।

অহানবগী ওইনা ফংবা লীখুনশিংগী মতুংইন্না সেপরেটিষ্টশিংনা প্লেন অদু ষ্টিঙ্গরগা মান্নবা মীসাইলশিং শীজিন্নদুনা কাপথখিবনি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

পনবা য়াবদি লুহানস্ককী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট অসি গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা কন্ট্রোল তৌবনি অদুমকপু সিটি অসিগী অয়াম্বা মফমশিংদি সেপরেটিষ্টশিংনা খুদুম চল্লিবনি।

যুক্রেনগী অনৌবা প্রসিদেন্টনা মমাংগী চয়োলদা মীহাৎ-মীপুন লেপ্পবা তকশিনখ্রবসু যুক্রেন ফোর্সশিংগা সেপরেটিষ্টশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিংদি লেপ্তুনা চত্থরি হায়রি।

পনবা য়াবদি সেপরেটিষ্টশিংনা কিয়েবতগী নীং তম্লে হায়না লাউথোকখ্রবা নোংপোক থংবা রিজন অনিগী মনুংদা লুহানস্কসু অমনি।

এন্টি টেরোরিষ্ট ওপরেসন চঙশিল্লিবা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগা সেপরেটিষ্টশিংগা খুৎ থোক্লবদা হৌখিবা থা অনিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭০ সু শীখ্রবনি।

মমাংদা যুক্রেনগী অনৌবা প্রসিদেন্ট পেট্রো পোরোসেনকোনা হায়খিবদা খুৎথোক্লবগী থৌদোকশিং অসি চয়োল অসিমক্তদা লোয়শিল্লগনি হায়না হৌখিবা নোংমাইজিংদা ফোংদোকখ্রবনি। চৈরকসিদা যু এসনা হায়বদা সেপরেটিষ্টশিংনা নোংপোক থংবা যুক্রেনগী মফমশিংদা শীজিন্নরিবা টেঙ্কশিং অদু রুসিয়ানা পীরকপনি হায়নসু ফোংদোকখ্রবনি।

যু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোয় নুপী অমনা হায়খিবদা টেঙ্কশিং অসি যুক্রেন ফোর্সশিংদগী মুনখিবনি হায়না রুসিয়ানশিংনা হায়রকপদি য়াই অদুমকপু এরিয়া অদুদা হৌজিক ফাওবা যুক্রেনিয়ান টেঙ্ক অমত্তা শীজিন্নদ্রি হায়নসু ফোংদোকখ্রে।

টেঙ্কশিং অসি রুসিয়াদগী লাকপনি হায়বা ঐখোয় চপ চানা থাজে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। নীংশিংবা য়াবদি দোনেটস্ক রিজনদা লৈবা টাউন কয়ামরুমদা টেঙ্কশিং অসি য়াওবা পিকচরশিং হেক উরকপদগী কিয়েব অমদি মোস্কোগী মরক্তা অকনবা ৱাহৈশিং ফোংদোক্লবগী মরম অমসু ওইখিবনি। অদুবু রুসিয়ানদি টেঙ্কশিং অসি মখোয়গী লমদমদগী যুক্রেনদা চঙখিবনি হায়বসি য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

# নাইজেরিয়া লান্মীনা শ্রীলঙ্কা লান্মীগী লাল্লোং নৈনরি



**অবুজা, জুন ১৪ :** নাইজেরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোংদোরকপা ৱাফম অমদা লৈবাক অদুগী ইস্লামিষ্ট লানহৌলুপ বোকোহরামগী মথক্তা চঙশিনগদবা লাল্লোং শীন্দোক্লনবগীদমক শ্রীলঙ্কাদা লানহৌবা টামিল টাইগরশিংবু নমথবদা শ্রীলঙ্কাগী লান্মীনা শীজিন্নখিবা লাল্লোংশিং নৈনরি হায়না ফোংদোকখ্রে।

মসিগী মমাংদা নাইজেরিয়াগী লান্মীশিংনা শ্রীলঙ্কাগী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারি-ৱাতাইসু শান্নখ্রবনি। অমরোমদ ইস্লামিষ্ট লানহৌলুপ বোকোহরামবু লাকশিনবা ঙমদে হায়বগীদমক মায়কৈ কয়াদগী অবুজাবু ক্রিটিসাইজ তৌনরিবনি। ইং ২০০৯ দগী হৌনা শাথিবা এটেকশিং হেনগৎহন্দুনা মীওই লিশিং কয়ামরুম হাৎখ্রবা মতুংদা বোকোহরাম্না নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা খুঙ্গং অমদগী স্কুল তন্নিবী নুপীমচা ২০০ হেন্না ফাজিনখ্রবনি।

নাইজেরিয়াগী অৱাং থংবা মফমশিংদা ইস্লামগী লৈবাক অমা শেম্বা পাল্লিবা বোকোহরাম্না চঙশিল্লকপা এটেকশিংদা অবুজাগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী অশোনবা শরুক শেংনা উথোকখিবগা লোয়ননা মায়কৈ কয়াদগী নাইজেরিয়াগী প্রসিদেন্ট গুদলক জোনাথনগী মথক্তা অকনবা প্রেসরশিং পীরকখ্রে। প্রসিদেন্ট অসিনসু মমাংদা লানহৌলুপ অসিগী মথক্তা মপুং ফানা অচৌবা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

নাইজেরিয়া মিলিটরিগী অৱাংবা থাক্কী মেম্বরশিংনা শ্রীলঙ্কান দিলিগেসন কাঙবু অমগা উন্নদুনা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি লাল্লোংশিংগী মরমদা কুপ্না নৈনখ্রে হায়নসু মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা থাদোকখিবা চেরোল অমদা ফোংদোকখ্রবনি।

নাইজেরিয়াগী দিফেন্স ষ্টাফকী চিফ ওইবা এয়ার চিফ মার্সেল এলেক্স বাদেনা হায়খিবদা শ্রীলঙ্কা লন্মীনা টামিন টাইগরশিংবু নমথনবা হোৎনবদা লৈবাক অদুগী মিলিটরি রিছোস পুন্নমক শুপচিন্দুনা 'টোটেল সেক্যুরিটি' হায়বা পোরম অসিসু য়াওনা শীজিন্নখিবা লাল্লোং পুন্নমক কুপ্না নৈনরে হায়নসু ফোংদোকখ্রে। অদুমকপু শ্রীলঙ্কাগী লান্মীগী লাল্লোংশিং অদু মীচম কয়ামরুমগী পুন্সি মাঙহনখি হায়বগীদমক মালেম পুম্বনা ফত্তবা লাল্লোংনি হায়না নিন্দা তৌনরিবনি।

চৎখিবা মার্চ থাদা যু এন না শ্রীলঙ্কাদা লানহৌবা টামিলশিং অমদি শ্রীলঙ্কান ফোর্স অনিমক্না ৱার ক্রাইমশিং চত্থখি হায়বগীদমক থিজিনবসু হৌখ্রবনি।

নীংশিংবা য়াবদি শ্রীলঙ্কাদা টামিল মাইনোরিটিশিংগী লৈবাক অমা তোঙান্না শেম্নবা পান্দমদা খুৎলায় লানহৌ চঙশিনখিবা লিবরেসন টাইগরস ওফ টামিল ইলাম (এলটিটিঈ) গী মথক্তা কলম্বোনা চহি ৩০ রোম চুপ্পা লাকশিন্নবা হোৎনখিবনি। এলটিটিঈ বু শ্রীলঙ্কা লান্মীনা মপুং ফানা নমথখিবগা লোয়ননা লানহৌলুপ অসিগী মকোকথোংবা লুচিংবা পুন্নমক ইং ২০০৯ দা ননথিকরাল লেগুন মপালদা তুম্না হাৎখিবনি। লানলক অদুদা টামিল টাইগরশিংনা চুঙ্গোই ওইনা শীজিন্নখিবা টামিল মীয়াম্বু কনবা নোংচুপ লৈবাকশিংনা সিজ ফয়ার চৎননবা তকশিনখিবনি। অমরোমদা নাইজেরিয়াগী আর্ম ফোর্সশিং মপুং ফাবা মিলিটরি ট্রেনিং ৱাৎপদগী বোকোহরামগা থেংনবদা মপাঙ্গল শোন্না লৈরিবনি।

# 'জুলাই মনুংদা ন্যুক্লিয়ার দিল ফংলবা য়াই'



**টেহরান, জুন ১৪ :** ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রোহানিনা ঙসি হায়খিবদা ইরান অমদি নোংচুপ লৈবাকশিংগী মরক্তা লাক্কদৌরিবা চয়োল মঙাগী মনুংদা ন্যুক্লিয়ারগী মতাংদা চৎনবা য়াবা দিল অমা ফংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়না ফোংদোকখ্রে।

টেহরানদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রসিদেন্ট হাসন রোহানিনা হায়খিবদা মায়কৈ অনিগী মরক্তা মথৌ তাবা ফজবা ৱাখল্লোন অদু লৈনরগদি লাক্কদৌরিবা চয়োল মঙাগী মনুংদা ফিদম্মিংঙাই ওইবা য়ানরোল অমা পুথোকপা ঙমগনি থাজে হায়না ফোংদোকখিবনি।

ইরান অমদি মালেমগী পৱার নেসন ৬ হায়বদি বৃটেন, চাইনা, ফ্রান্স, রুসিয়া অমদি যু এস অদুগা জর্ম্মনিসু য়াওনা লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা মতম কুইরক্লবা য়েৎনবা অমা লোয়শিনবা ঙমগদবা পাক-চাওবা এগ্রিমেন্ট অমা পুথোক্লবা পান্দমদা থেঙখাং কয়ারক্তা ৱারিসু শান্নখ্রবনি।

হৌজিক ইরানগী ন্যুক্লিয়ার থৌরাংশিংগী মতাংদা লৈবাক অসিগা নোংচুপ লৈবাকশিং অসিগা য়ান্নদনা লৈরক্লিবা অসি লোয়শিন্নবগী চৎনবা য়াবা দিল অমা পুথোক্লবা লাক্লিবা জুলাই ২০ দা পান্দম থল্লিবনি। মসিগী মতাংদা প্রসিদেন্ট রোহানিনা হায়খিবদা এগ্রিমেন্ট অমা পুথোকপা ঙমদ্রিবা ফাওবদা ঐখোয়না ৱারি-ৱাতাই শান্নবগী পরিংদি মখা চত্থখিগনি। মাং-তাকপা থৌওং অমত্তা থোক্লিংঙাই লৈতে হায়খ্রে হায়না ইরানগী আই এস এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা ফোংদোকখ্রে।

মায়গৈ অনিগী মরক্তা মথং থেঙখাংগী ৱারি শান্নবদি ভিয়েনাদা লাক্লিবা নিংথৌকাবদা চত্থনবা মতম থানখ্রবনি।

মমাং চহিগী নভেম্বর থাদসু মায়গৈ অনিমক্না মরক্কী ওইবা দিল অমা পুথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা দিল অদুগী মখাদা ইরাননা লৈবাক অদুগী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট প্রোগ্রামশিং ককশিল্লগনি হায়না য়াখ্রবনি। ইরানগী মথক্তা লৈবা ইন্টরনেসনেল সেঙ্কসন খরা কোমথোকপগী মহুৎ ওইনা এনরিচমেন্টকী চাং খরা হন্থনবা ইরাননা য়াখ্রবনি।

অমরোমদা যু এস অমদি মসিগী মপাংশিং ইরাননা পায়খৎলিবা ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রাম পুন্নমক শান্তিগী ওইবা মরমশিংদা শীজিন্নগনি হায়বা য়াহনবা এগ্রিমেন্ট অমা পুথোক্লবা মতম কুইরবদগী হোৎনরকপনি। টেহরাননা হিরম অসিগী মতাংদা হায়খিবদা ইরাননা কৈদৌঙৈদসু ন্যুক্লিয়ার খুৎলায় শারোই হায়না ফোংদোকখ্রবনি।

# পাকিষ্টানদা খৃষ্টান লোমেকর মশাগী বোদিগার্দনা হাৎখ্রে

**ইস্লামবাদ, জুন ১৪ :** পাকিষ্টানগী বেলোচিষ্টান প্রোবিন্সতা এমপি ওইনা মীখলদা কারকখ্রবা হেন্দ্রি মসিহা হায়বা রুলিং নেসনেল পার্টিগী লুচিংবা অমা মশাগী বোদিগার্দনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

খৃষ্টান লাইনিং চৎপা পাকিষ্টানগী লোমেকর অসিবু ঙসি মশাগী বোদিগার্দনা প্রোভিন্স অসিগী কোনুং ওইবা ক্বেটা সিটিদা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। রুলিং নেসনেল পার্টিগী লুচিংবা অসি ক্বেটা সিটিগী নাবা কলাই এরিয়াদা লৈবা মশাগী ময়ুম মনাক্তা বোদিগার্দ অদুনা কাপ্পদগী শীখি।

মফম অসিদা হেন্দ্রি মসিহনা চয়োল খুদিংগী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীয়াম্বু হেক হেক উন্নবনি হায়নসু দুনিয়া টিভি গী পাউ অমদা ফোংদোকখি।

নোংমৈনা পাল্লবা মতুংদা মহাকপু হোস্পিটালদা পুখি অদুবু লায়কন্নবা ঙমদনা মহাক হোস্পিটালদা শীখি হায়রি। মহাক্কী মচাশিং থোকপা অমসু থৌদোক অদুদা শোকখি অদুমকপু হৌজিক্তি মহাক্কী ফিভম লৈতাবগা লোয়ননা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোংদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মহাকপু হাৎখিবগী মরম করি ওইগদগে হায়বা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। পকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা হেন্দ্রিগী মীহাৎ অসিবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা প্রোবিন্সিয়েল গভর্নমেন্টতা মীহাৎপা অদুবু ফারগা হৌনবী আইনগী থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি পাকিষ্টানদা মাইনোরিটি ওইনা লৈরিবা খৃষ্টান লাইনিং চৎপা মীওইশিংবু মরক মরক্তা হার্দলাইন ইস্লামিষ্ট এলিমেন্টশিংনা এটেক চত্থবনি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।

# কার বোম্না সিরিয়াদা ৮ হাৎখ্রে


**বৈরুট, জুন ১৪ :** ঙসি সিরিয়াগী নোংপোক্লোমদা ইরাক্কা তাইনবা ঙমখৈ ময়াদা লৈবা কৈথেল অমদা কার বোম অমা পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮ শীখ্রে হায়না মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ফোংদোরক্লি।

পোকখাইবগী থৌদোক অদু দিয়ার অল-জোরদা চেনবা যুফ্রেটিস তুরেল মপালদা লৈবা অল-ময়াদিন হায়বা টাউন অসিদা থোকখিবনি হায়না বৃটেন্দা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোংদোকখ্রে।

সিরিয়াদা থোকপা ভাইওলেন্স থৌদোকশিংবু কুপ্না য়েংশিল্লিবা ওরজার্বেটরি অসিনা হায়বদা পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মশিংদি পন্দ্রবসু মীওই কয়ামরুমসু ফিভম থিনা শোকখ্রে হায়না ফোংদোরকখি।

থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অসি অলকৈদাদগী মচেৎ তারগা সিরিয়া অমদি ইরাক্তা কন্না থবক তৌরিবা আই এস আই এল হায়বা লুপ অসিনা খুৎলিংবা মফমনি। গ্রুপ অসিগী ফাইটরশিংনা চয়োল অসিদা অৱাং থংবা ইরাক্কী মরুওইবা টাউন খরা খুদুম চনখিবগা লোয়ননা বাগদাদ লৌশিনবা হোৎনরিবনি।

লুপ অসিনা দিয়ার অল-জোর প্রোবিন্সতা থা কয়াগী মমাংদগী ওইলফিলশিং অমদি অতৈ মফম খরসু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা অলকাইদাদা এফিলিয়েট তৌবা নুসরা ফ্রন্ট হায়বা লুপ অসিগসু ময়োক্লরিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা মখা তারক্লি।





# ইরাক গভর্নমেন্টপু তেংবাংনবা ইরান শেমশাখ্রে



*সুনি মিলিটেন্টশিং মায়োক্লবদা শরুক য়াগনি হায়না চোংথোরক্লিবা সিয়া ভলুন্টিয়ারশিং*

**টেহরান, জুন ১৪ :** ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রোহনিনা হায়খিবদা লৈবাক অসিনা সুনি লানহৌবশিংবু থেংননবা লাঞ্জং চঙশিনবদা ইরাক গভর্নমেন্টপু তেংবাংনবা শেম শারি হায়না ফোংদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক ইরাক্কী গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মপাঙ্গল হাপনবা মহাক্কী লৈবাক্না ইরাক্তা লান্মী থাই হায়বা ৱাফমদি প্রসিদেন্ট অসিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

হৌজিক হৌজিক ইস্লামিক ষ্টেট ইন ইরাক এন্দ দ লেভান্ট (আই এস আই এস) হায়বা লানহৌলুপ অসিনা মোসুল অমদি টিকৃট খুদুম চনশিনখিবগা লোয়ননা বাগদাদ লৌশিন্নবা হোৎনরিবনি। মখোয়না ইরাক্তা মেজোরিটি ওইবা সিয়া কাঙলুপশিংবু থাজবা য়াদবশিংনি হায়না লৌই।

অমরোমদা সিয়াশিংনা নম্বা ইরাক্কী লৈঙাক লুচিংবশিংগা ইরান্না নক্লবা মরী লৈরিবনি। প্রসিদেন্ট রোহানিনা হায়খিবা ৱাফম অমদা ইরাক্কী গভর্নমেন্টনা ইরানদা তেংবাংনবা খঙহল্লক্লে। মরম অসিনা ঐখোয়দা পাংহন্নিংবা মতেং অদু ঙম্লবদি পাংবা য়াই হায়নসু প্রসিদেন্ট অসিনা সিয়া ইরানগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাকখিববু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা কুমওন থৌরম অমদা প্রসিদেন্ট অসিনা ফোংদোকখি।

বিবিসি গী মায়কৈদগী হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা প্রসিদেন্ট অসিনা ফোংদোকখিবদা ইরানগী ফোর্সশিং তশেংনমক লান য়াওবগী মতাংদদি খন্নদ্রি। মতেং পাংবা হায়বসিগা লানদা য়াওশিনবা হায়বসিগা খেন্নে হায়খি। অদুবু প্রসিদেন্ট অসিনা ফোংদোকখিবা মরুওইবা ৱাফম অমদি আই এস আই এস পু লাকশিনবা হোৎনবদা ইরানগী মতম কুইনা য়েক্নরক্লবা যুনাইটেদ ষ্টেটকা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী ৱাফম খন্নবা য়াদবমক্তি নৎত্রি হায়নসু ফোংদোকখি।

ইরাক নৎত্রবসু অতোপ্পা মফমদা হেক্তমক টেরোরিষ্ট লুপ অমগা অমেরিকানা ময়োক্লবা তারবদি মসিগী মতাংদা ঐখোয়না খন্নগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। অদুবু চপ চানা কনফার্ম তৌদ্রিবা পাউ অমদা হায়বগী মতুংইন্না ইরাননা ইরাকপু মতেং পাংননবগীদমক ইরানগী রিভোলুসন্নরি গার্দকী অখন্নবা য়ুনিট খরা থাখ্রে হায়বসু লৈরি। তৌইগুম্বসুং ৱাফম অসিদি ইরানগী ওফিসিয়েলশিংনা য়াদ্রিবনি।

ঙরাংসু সিয়া ফাইটরশিংনা মুক্রদিয়াদা সুনি লানহৌবশিংগা খুৎ থোক্লখিবনি। অদুগা অৱাং মায়কৈদগী বাগদাদ তম্না চঙলক্লবা হোৎনরিবা লানহৌবশিংগা মায়োক্লনবা ইরাক লান্মী অমদি সিয়া মিলিসিয়াশিংগা পুন্না সমরাদা ঙরাং থুংখ্রবনি।

অমরোমদা যু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবমানসু ইরাক্কী মতাংদা করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বদু লেপথোক্লবা হোৎনবা নুমিৎ খরনিদি চঙগনি হায়খ্রবনি। অদুবু ইরাক্তা যু এস লান্মী থাবদি তৌরোই হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখিবনি। করিগুম্বা যু এস লান্মীসু য়াওবা তারবদি ইরাক্কী লুচিংবশিংনা কাঙলুপকী ওইবা য়ানদবশিং থৈদোক্লগা থম্মোয় শেংনা অমদি য়াম্না লুনা হোৎনরক্লবা মতমদা ওইথোক্কনি হায়না ওবামানা ফোংদোকখ্রবনি।

**সনা-সুদোকু - ১৪ গী সোলুসন**

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 3 | 5 | 4 | 1 | 2 |
| 1 | 2 | 4 | 5 | 3 | 6 |
| 5 | 6 | 3 | 1 | 2 | 4 |
| 4 | 1 | 2 | 3 | 6 | 5 |
| 2 | 4 | 1 | 6 | 5 | 3 |
| 3 | 5 | 6 | 2 | 4 | 1 |

**SANA-SUDOKU**

***Rules :-** Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana- Sudoku- 15**

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | |
| | 3 | | 4 | 2 | |
| | 4 | | | | 6 |
| 2 | | | | 4 | |
| | 6 | 4 | | 1 | |
| | | | 6 | | |

# বঙ্গলাদেসকী কোনুংদা কাঙলুপ মশেল শাথিনা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১০ শীরে

**ধাকা, জুন ১৪ :** বঙ্গলাদেসকী কোনুং অসিগী মিরপুর এরিয়াদা ঙসি বেঙ্গলিশিংগা উর্দু লোন ঙাংবা বিহারিশিংগা তমথিনা খুৎ থোক্লবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শীরে হায়না লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

ইস্লাম লাইনিংগী কুন্ধৈ অমগা মরী লৈননা ঙরাং অহিং চুপ্পা বম্বুলা মৈকাপ্পীশিং কাপ্পগী ৱাহৌদগী খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিং অমদি পুলিসনা হায়বদা ইমুং অমগী মীওই ৮ য়াওনা মীওই ৯ মৈনা চাকপদগী শীখ্রে অদুগা অতোপ্পা মীওই অমনা নোংমৈনা পানবদগী শীখি হায়না ফোংদোরকখি।

বিহারিশিংগী কেম্প অমা মৈ থারুবদগী কাঙলুপ নাইনা খুৎ থোক্লরকপদা নোংমৈ কাপ্পরকখিবনি হায়রি। মসিগী মতুংদা মখা তানা চত্থরকপা ভাইওলেন্স থৌদোকশিংদা মীওই কয়ামরুমসু অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

ধাকাগী এদিসনেল দিপ্যুটি পুলিস কম্মিস্নার জাসিম উদিননা হায়বদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু বেঙ্গলি নহাশিংগা বিহারিশিংগা ঙরাং অহিংদগী থোক্লকপনি। থৌদোক অদুদা বেঙ্গলিশিংনা য়ুম অমসু মৈ থাখি হায়না ফোংদোরক্লি।

মীওই ৮ শীরে হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌরদুনা মহাক্না হায়বদা শীরিবশিং অদুগী মনুংদা ৫ দি নুপী অমদি অঙাংশিংনি হায়নসু মহাক্না ফোংদোকখি।

বিহারিশিংগী ৱাফম পল্লদুনা অতোপ্পা লীখুন অমনা হায়বদা ইরাং হৌবা মীয়াম অদুনা য়ুম ১০ সু মৈ থাখি অদুগা মমল য়াম্বা পোৎলমশিং হুরান্দুনা পুখি হায়নসু ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদু লাকশিন্নবা চঙশিল্লকখিবা পুলিসশিংনা নোংমৈ কাপখি মদুদা কেম্পতা লৈরম্বা মীওই কয়ামরুমসু থীনা শোকখি হায়না বিহারিশিংনা মরালশিবা ৱাফমসু ফোংদোরকখ্রে।

বেঙ্গলিশিংনা হায়বদদি নোংয়াই মতুংদা বিহারিশিংনা বম্বুলা থাববু খামখিবা পুলিস পেট্রোলিং টিম অমগা বিহারিশিংগা মুক্নরকখিবনি অদুগা কাঙলুপ নাইনা খুৎ থোক্লরকপনা ঙসি অয়ুক্তগীনি হায়নসু বেঙ্গলিশিংনা ফোংদোরক্লি।

ধাকা মেদিকেল কলেজ হোস্পিটালগী দাক্তরশিংনা হায়বদা মখোয়না থাংনা থিনবগী অমদি নোংমৈনা পানবদগী শোকপা মীওই কয়ামরুম লায়েং চত্থখি হায়না ফোংদোকখ্রে। নোংমৈনা পানবা মীওই অমদি অশোকপদুনা মরম ওইরগা শীখি হায়নসু দাক্তর অমনা ফোংদোরক্লি।

উহৌবশিংনা হায়বদা লম্বী লমজাওদা থোক্তুনা ইরাং হৌবা বিহারিশিংবু তানখাইনবা পুলিসনা রবর বুলেটশিং কাপখি হায়নসু ফোংদোকই।

য়ুম মৈনা চাকপদা শীখ্রবা মীওইশিং অদু ওটোপসি তৌনবা পুলিসতা শীন্নৌ হায়বা বিহারিশিংনা য়াখিদে হায়নসু থৌদোক থোকপফমদা পুলিস ওফিসিয়েল অমনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখি।